হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুর পঞ্জাববকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে

## মণিপুরনা সেকেন্দ বেষ্ট টিমগী অনীশুবা তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
মণিপুরনা যূম্নু ওইদুনা চথরিবা ৭৬শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩গী গ্রুপ-৬কী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা পঞ্জাববকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে।

গ্রুপ অসিগী পোইন্ট ১৩ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখিবা পঞ্জাব অমদি পোইন্ট ১২ ফংখিবা মণিপুরনা সেকেন্দ বেষ্ট টিমগী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা ফাইনেল রাউন্দ অসিগী গ্রুপ বিদা মেঘলায়া, সর্ভিসেস, ৱেষ্ট বেঙ্গল, দেল্লী অমদি রেলৱেজকা পুল্লি অদুগা গ্রুপ এদা কেরলা, কর্নাটাকা, পঞ্জাব, ওরিষ্যা, মহারাষ্ট্র অমদি গোৱানা পূন্না শরুক য়ারি।

ফাইনেল রাউন্দগী গ্রুপ ষ্টেজকী মেটচশিং ফেব্রুৱারী ১০দগী ২০ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা শান্নগনি অদুগা নোক আউট মেটচশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা শান্নরগনি। সিঙ্গল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল রাউন্দ মেটচশিং অসিগী গ্রুপকী মকোক্তা লৈবা টিম মরিনা সেমী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি মণিপুর অমদি পঞ্জাব অনীনা শান্নখিবা মেটচতা পঞ্জাববকী পরমজিৎ সিংহনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি দিপক সিংহনা পঞ্জাববকী শান্নরোয় ৫ মোহমদ রসিদ, ভুপেন্দর সিংহ, পরমজিৎ সিংহ, রোহিট শেখ অমদি গোলকিপর হর্প্রিট সিংহ অদুগা মণিপুরগী শান্নরোয় অনী মোইরাংথেম মালেমঙানবা অমদি ইরুংবম পুন্সিববু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা চান্দিগরনা হিমাচল প্রদেশপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চান্দিগরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গুর্টেকবির সিংহনা ২ অদুগা কার্টিক চৌধুরি, গৌরভ নেগি অমদি নাওরেম গোবিন্দাসনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা ঈ এস য়ু গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লক্ষ্যদ্বিপনা ঝরখন্দবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

লক্ষ্যদ্বিপকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোহমদ থাফুকি, নাসারুল্লা, মোহমদ সারিল অমদি নসিব এ সীনা চনখি। ঝরখন্দগী গোল অনী অদুনা বিক্রম সানখো কিসকু অমদি রোহন কেচপনা চনখি।

# ওলিম্পিয়ন নিলকান্ত তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ইন্দিয়ানা যূম্নু ওইদুনা ওরিষ্যাগী ভুবনেশ্বর অমদি রুরকেলাদা থা অসিগী ১৩দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ ওরিষ্যা হোক্কী মেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২৩দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় ওলিম্পিয়ন এস ঐচ নিলকান্তবু ঙসি পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)না শীন্দুনা একাদেমি অসিগী শঙলেন্দদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফামগী প্রসিদেন্ট এন জি থাবা লৈমা, মেম্বর ইরেংবম নন্দেশ্বর, এন রামেশ্বর মৈতৈ, দব্লিয়ু বিমোল, সদানন্দ অদুগা কোচ কে এস ঐচ রোমেশ অমদি নিংথৌজম চান্দিকুমারসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ওলিম্পিয়ন এস ঐচ নিলকান্তদা অচম্বা মমেন্টো খূৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

পনবা য়াবদি, এফ আই ঐচ মেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিগী নোক আউট ষ্টেজতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগী মখূৎতা টাই ব্রেকতা ৩-৩(৫-৪)দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোক্লকখিবনি।

৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি

# হৈরোক য়ুনাইটৈদনা দি এম এফ সীগা ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা হৈরোক য়ুনাইটৈদনা এম ৱাই দি এবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাকখিবা হৈরোক য়ুনাইটৈদনা দি এম এফ সী মোরেগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা রোশননা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহানবা গোল চনখি। মহাক্কা মখা তানা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা হৈরোক য়ুনাইটৈদকী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

এম ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রুহিটনা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরি কে ঐচ ইবুংঙোনা হৈরোক্কী অরুনবু শান্নবগী ৩৫দা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# এম য়ুনা ৩শুবা পোজিসন তাখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি (এ আই য়ু)ন্যু দেল্লীগী লমজিং মখাদা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মেঘলায়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৮দগী হৌদুনা চথরকপা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হেন্দবোল (ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স টিমনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

ভি বি এস পুর্বাঞ্চল য়ুনিভর্সিটিনা অহানবা, য়ুনিভর্সিটি ওফ কলকট্টানা অনীশুবা অমদি ঐচ সী ৱাই বিস্ববিদ্যালায়া দুর্গনা মরিশুবা পোজিসনশিং তাখি।

এম য়ু টিম অসিগী মেনেজর ওইনা এম সুন্দরচান্দ অমদি কোচ ওইনা টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা শরুক য়াখিবনি।

# সনরাইজ ক্লবনা চাওনা মায় পাকখ্রে

জিরিবাম,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৯শুবা কে সী মালিক ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সনরাইজ ক্লবনা য়ং সিনলুং ক্লবপু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সনরাইজ ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মিন্থাং অমদি এল চনমোইয়ানা গোল ২/২ অদুগা কাক্রি, কে লেনিন অমদি এন কেনেদিনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি কুকি স্পোর্টিং ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম মরিনা সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

ৱাই দব্লিয়ু এ ৱাঙ্গোই অমদি তাম এফ সী সেক্তা অনীনা ফেব্রুৱারী ৪গী নুংথিল পুং ২দা অহানবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি। সনা এফ সী থৌবাল অমদি সমুরৌ য়ুনাইটেদ অনীনা ফেব্রুৱারী ৫গী নুংথিল পুং ২দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

হাওরৈবী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা তাম এফ সী সেক্তানা ৱর্ল্ড প্রো এফ সী লংথবালবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

রোবিনসনননা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা সেক্তা টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। হেনরিনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা সেক্তা টিমগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ড প্রোগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সেক্তাগী ঙৌবনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি।

মেটচ অসিদা মায় পাকখিবা তাম এফ সীগী শান্নরোয় ৪ ঙৌবা, বসন্ত, রোবিনসন অমদি নাওচাবু রেফরি এন জি অনন্দনা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সমুরৌ য়ুনাইটেদনা এল ৱাই এস এস য়ুবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সী ঐচ অকাশনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা সমুরৌ য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কিষননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা সমুরৌগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা রাকেশনা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা সমুরৌ য়ুনাইটেদকী য়াইফবা অমদি এল ৱাই এস এস য়ুগী লৈঙাকপা অনীবু শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

# জি এফ এ, এ এস এ সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)না শীন্দুনা ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা গোল্ডন ফুটবোল একাদেমি (জি এফ এ)না আর ৱাই ওবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

জি এফ এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু টি ঐচ বুংঙোনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা জি এফ এগী নাওবা রেদ কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এ এস এনা মহাবলি এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙখ্রে। কেনিসননা এ এস এগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখি। মহাক রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

# ৫-এসাইদ ফুটবোল হৌদোকখ্রে

জিরিবাম,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
চাউখৎ খোঙথাং ক্লব জিরিবামনা শীন্দুনা চয়োল অমা চুপ্না চথগদবা অহুমশুবা ৫-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি জিরিবামগী চীংদোং লৈকাই কমল লম্পাক্তা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা যূম্নু টিম ওইরিবা চাউখৎ খোঙথাং ক্লবনা পঞ্জেল ক্লবপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৯না শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা সী কে সী চীংদোং লৈকাইগী চ্যেরমেন এফ অহমদ সজাবম, হান্নগী দিবোংগী প্রধান আর কে নোবিনসনা, সোসল ৱর্কর এ সোমোরেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লক্কি সভেন জিরিবাম অমদি রেনবো ক্লব ইস্লামাবাদ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# লেম্না বেদমিন্টন কোচিং পীরগনি

ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পূন্সিয়াই বেদমিন্টন ট্রেনিং সেন্টরনা শীন্দুনা চহী ১৫গী মখাগী ওইবা অঙাংশিংদা অহুল্লকশুবা ওইনা লেম্না বেদমিন্টন কোচিং ফেব্রুৱারী ১৩দগী মার্চ ৪ ফাওবা পীরগনি হায়না সেন্টর অসিগী ট্রেনিং ইন-চার্জ হৈক্রুজম পূন্সিবনা খঙহল্লক্লি।

কোচিং অসিবু শরুক য়ানিংবশিংনা উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা সেন্টর অসিদা লাক্তুনা অয়ূক পুং ৬তগী ৮ ফাওবা অমদি নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ফেব্রুৱারী ১১ ওইগনি হায়রি।

# এম য়ু সোফ্টবোল টিমগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জানুৱারী ৩১(ঐচএনএস):
চান্দিগরগী পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী অমদি মার্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সোফ্টবোল (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ফেব্রুৱারী ১৫গী অয়ূক পুং ১১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সোফ্টবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরি ডা. সী ঐচ প্রদিপনা খঙহল্লক্লি।


SHEMROCK KIDS GARDEN
for a ROCK-Solid Foundation
Ayangpalli Road, Porompat

POST VACANCIES

Shemrock Kids Garden invites applications from eligible persons for filling up the following post: -

| Sl. No. | Name of Post | Vacancies | Qualification | Experience Requiement |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Administrator | 1 | M.A in Edn. Planning & Adm., B. ed. | Min. of 3/4 years' experience |
| 2 | Admission Councellor | 2 | Graduate-preferably Diploma in Hospitality Managements | Min. of 1 years' experience |
| 3 | Floor Manager | 1 | Bachelor in Hospitality Management | Min. of 1 years' experience |
| 4 | Rhyme Teacher | 3 | Rhyme Training or D.El. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 5 | Primary Teacher | 6 | B. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 6 | Caretaker | 6 | 10th or 12th passed | Fresher can apply |
| 7 | Mother | 4 | VIII passed and above | Min. of 1 years' experience |
| 8 | Security In-charge | 1 | XII and above | 5-7 yrs - preferably Ex-serviceman |
| 9 | Transport In-charge | 1 | X and above | 5-7 yrs preferably Male |

*** SALARY FOR ALL THE ABOVE POST ARE NEGOTIABLE ***

1. The number of vacancies may vary as per requirements at the time of selection.
2. The school authority reserves the right to change the number of posts or not to fill up any of the post advertised.
3. The following are the documents to be submitted through WhatsApp : 9555164521 or Email at : hr@meeteicpl.com
   a. Latest Resume
   b. Recent Passport Photo
   b. Experience certificate (if any)
   c. Educational Qualification Certificate
   c. Identity proof Aadhaar or Pan Card
   d. Last date of Document submission on 06-02-2023

HL-P/5851/1,2,3
Date of Interview 08th February, 2023



LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | G.M / Manager | Graduate + 3yrs exp. | 2+2 | Negotiable | 30-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |




L.G. MOTORS FINANCE
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
HL-P/5805/2/26/1-1/3(alt)



ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open for Jan/Feb 2023
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/7933/4/12-3/02


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 703

Manli Liu (2183) - Li Xueyi (2275)
ch-CHN Women 2018 Xinghua CHN (5), 2018.04.22

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Nc6 6.Be2 e5 7.Nb3 Be7 8.Bg5 O-O 9.Bxf6 Bxf6 10.Nd5 Bg5 11.Bc4 Be6 12.h4 Be7 13.g3 Rc8 14.c3 Kh8 15.Ne3 Bxc4 16.Nxc4 f5 17.exf5 d5 18.Ne3 d4 19.Ng2 a5 20.O-O a4 21.Nc1 a3 22.Qe2 Bf6 23.Rb1 Re8 24.cxd4 exd4 25.Qd1 Ne5 26.Nf4 Qd7 27.Ncd3 Nc4 28.bxa3 Qxf5 29.Rxb7 Qa5 30.Qg4 Qa8 31.Rfb1 Nd2 32.Qh5 Rcd8 33.R1b5 Ne4 34.Ng6+ Kg8 35. ...

QUESTION :
White to checkmate

Puzzle 702 Ans. :
52. Rxf4+ Kh3 53. Rh4+ The white rook deflects Black's pawn away from protecting the square f4. gxh4 54. Nf4#
1-0


Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM)
17th February, 2023
4:00pm-7:30pm
Faculty members for class X




Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/7975/12


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com